লোকদাউনগী চৎনা কাংলোান ঙাক্লা অহানবা ওনলাইন মণিপুর ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ ২০২০ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস):

লৈবাক শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউনগী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা লৈবাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা অহানবা ওইনা মণিপুরদা ওনলাইন মণিপুর ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ ২০২০ মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

ৰুসু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী এদহোক কম্মিতিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ওনলাইন ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ফাউন্দর প্রসিদেন্ট চিরোম নবদিপনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৰুসু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট বুপেন্দ্র সিংহ বজৱানানা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনগী ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টরগী দিরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱিননা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ও সী বি লুংথাং ৱাইফৈ অমসুং ইপসাগী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম জয়চন্দ্রনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অহানবা ওনলাইন ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি: কেরোলিনা চিংঙাখম (ইম্ফাল ইষ্ট) - টাইজিক্কান, ফাইলিন থাংজম (ইম্ফাল ইষ্ট)- চনক্কান গ্রুপ (সী) বোইজ, জেলিসন থাংজম (ইম্ফাল ইষ্ট)- নানক্কান গ্রুপ (বি) বোইজ, বোনিস থিংবাইজম (ইম্ফাল ৱেষ্ট)- নানক্কান গ্রুপ (এ) বোইজ, দল্লীয়ু নীংথিবী (ইম্ফাল ৱেষ্ট)-চানক্কান গ্রুপ (এ) গর্লস, তোংব্রম সায়া (ইম্ফাল ৱেষ্ট)-চানক্কান গ্রুপ (বি) গর্লস, হঞ্জবম লাংলেনতোম্বী (ইম্ফাল ইষ্ট)-নানদাও গ্রুপ (বি) গর্লস, নিংথৌখোঙজম থোমাস (ইম্ফাল ইষ্ট) - টাইজিক্কান গ্রুপ (বি-৪২ ফোর্মস) বোইজ, য়েংখোম গীতা (ইম্ফাল ৱেষ্ট)-স্বাংজিয়াং গর্লস (জুনিয়র), সোহন য়ুম্নাম (ইম্ফাল ৱেষ্ট)- টাইজিক্কান (নুপা মচাগী থার্দ সেট বোইজ), খৃষ্টিনা কাংজম (ইম্ফাল ইষ্ট)- চাংক্কান গ্রুপ (সী) গর্লস অমসুং নিংথৌজম খৃষ্টিনা (ইম্ফাল ইষ্ট) - নানক্কান গ্রুপ (বি) গর্লসনি।

স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালগী দিরেক্টর ওইরিবা ফ্রান্সিস মারৱিননা ঙসি ৰুসু মশান্নগী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইনা ওনলাইনদা শান্নরোয়শিং অদুনা মশা মশাগী ময়ুমদা উৎখিবা ভিদিও ক্লিপিংশিং অদু য়েংলুবদা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংগী পুক্নিং থৌগৎখি।

চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ৰুসু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ভুপেন্দ্র সিংহ বাজৱানা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অসি ইন্দিয়াগী মমল য়াম্লবা শান্নরোয়শিং ওইবগা লোয়ননা লোকদাউনগী চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্লা চথখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চেম্পিনয়নশিপ অসিগী থৌরম মপু ওইখিবা ৰুসু এসোসিএসন মণিপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট চিরোম নবদিপনা শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা লোকদাউন মনুং অসিদসু লেপ্লা লৈতনা মশা মশাগী য়ুমদা প্রেক্টিস মখা তানা চথদুনা হান্না লৈরমখিবা মশা মশাগী পর্ফোমেন্সশিং অদু হেনগৎহন্নবা ৱারোল থমখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুবু য়াইফ মঙ্গোল পীখি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওনলাইন ষ্টেট লেভেল ৰুসু টাওলু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংগী মমা-মপা, সোসল ৱার্করশিং অমদি মশান্না অসিবু পামজবা কয়াগী মতেংনা চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপা ঙম্বনি হায়না কম্মিতিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

জসপ্রিট বুমরাবু অর্জুন এৱার্দ পীননবা বি সী সী আইনা নোমিনেট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া লৈবাক্কী শান্নবগী লমদা চহী খুদিংগী খ্বাইদগী ফজবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী শান্নরোয় খনগৎতুনা লেপ্তুনা পীরিবা অর্জুন এৱার্দ পীবগী মায়কৈদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না ইন্দিয়াগী ফর্স্ত বোল্লরশিংগী মনুংদা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা জসপ্রিট বুমরাগী মমিং থাগৎননবা শেম শাখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা ক্রিকেটকী ওইনা অর্জুন এৱার্দ ফংখিবা শান্নরোয় অদু ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জাদেজানি। মহাক্না এৱার্দ অদু ফংখিবদা ক্রিকেটকী ওইনা খ্বাইদগী নক্লবা লাম্বা ওইখিবা অদু বোল্লর জসপ্রিট বুমরা ওইখি।

মশাগী চহী ২৬তা ঙাইরিবা জসপ্রিট বুমরানা মশাগী করিয়রদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমদা শরুক য়াদুনা টেষ্ট মেচ ১৪ শান্নবদা ৱিকেট ৬৮ লৌবা ঙম্লি। ৱান দে ইন্টর্নেসনল মেচ ৬৪ শান্নবদা ৱিকেট ১০৪ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা টি-২০ ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংদা মেচ ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৫৯ লৌদুনা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী অচৌবা পর্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।

পার্ডগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোরকপদা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী ফোঙদোকপা ৱান দে ইন্টর্নেসনল ক্রিকেটকী বোল্লরশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বোল্লর জসপ্রিট বুমরানা মকোক থোংবা ঙম্লি।

সোর্ছ অসিনা মখা তারদুনা জসপ্রিট বুমরানা সাউথ অফ্রিকা, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজদা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজদা লৈবাকশিং অদুগী বেটচমেন ৫/৫ আউট তাহনবা ঙম্বা এসিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা বোল্লর ওইরি।

বি সী সী আইনা ক্রিকেট মশান্না অসিগী ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শান্নবগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনদা পিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা অর্জুনা এৱার্দকীদমক জসপ্রিট বুমরাগী মমিং থাগৎলকপা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র ক্রিকেট টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় কয়াগী মমিং লৌখৎলবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা জসপ্রিট বুমরানা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী মায় পাকপগী অমদি ফজবা মেচশিং শান্নবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা পরিংদা মকোক থোংদুনা বি সী সী আইনা নোমিনেট তৌরকপনি।

শান্নরোয়শিং অমসুং কোচশিংনা ট্রেনিং মখা তানা চথনবা পায়খৎলকপা খোঙথাংদা এস ও পি চৎনগদবনি : কিরেন রিজিজু

ন্যু দিল্লি, মে ১৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্ট মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী লমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং, কোচশিং অমদি অতোপ্পা সপোর্ট ষ্টাফশিংনা লোকদাউন লোইরবা মতুংদা পায়খৎকদবা ট্রেনিংগী হিরম খুদিংমত্তা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্লা চৎননবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা পীরিবা চৈথেংদা ইন্দিয়াসু য়াওবা মরম্না চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২৫দগী লৈঙাক্লা থমখিবা লোকদাউন মখা চথরকপা মরম্না শান্নবগী ওইবা থবক থৌরম পুম্নমক লেপ্তুনা লৈরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা জপানগী সিটি টোকিওনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস চহী অমা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতি অমদি জপানগী লৈঙাক য়াওনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী অপুনবা য়ানবা পুরক্তুনা য়ৈথোকখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক্কীদমক্তা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংগী শান্নরোয়শিংনা হৌজিক হৌজিক থেংরিবা ট্রেনিংগী অৱাবশিং অদু খংবগা লোয়ননা অতোপ্পা দিসিপ্লিন কয়াদা ক্কালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা লোকদাউন মনুংদা মশা মশাগী ময়ুমদা শাজেল চথনবা হায়খ্রবা মতুং নৌনা ট্রেনিং সেন্টরশিংদা শেম শাবগী থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা হোৎনরকপনি।

ভিদিও কনফরেন্সিংদা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অমদি বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরশিংদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী ওইবা সেল্ফ ক্কারন্টিন তৌনা তৌনা ট্রেনিং চথদুনা লাক্লিবা অসি নৌহৌননা লোকদাউন লোইরবা মতুংদা অপুনবা অমদি কোচশিং য়াওরগা চথগদবা ট্রেনিংশিংগী পায়খৎকদবা এস ও পি শমখিবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিনশিংদা মকোক থোংলিবা শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারী শান্নদুনা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা স্পোর্টসকী থৌশিলশিং অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম থমখি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা থল্লিবা লোকদাউন অসি লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমসুং হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা কাংলোনশিং অদু য়েংলগা থবক পায়খৎকদৌরিবনি।

য়ু এস এ জিমনাষ্টিকনা চৎলিবা কুমজা ২০২০গী ওইনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমদি অতোপ্পা মরু ওইবা টুর্নামেন্ট পুম্নমক তোকহনখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১৩ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী চাওনা চৈথেং ফংলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা লৈরিবা জিমনাষ্টিক্কী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ য়ু এস এ জিমনাষ্টিক্লা তোঙান-তোঙানবা চহী খুদিংগী পাঙথোল্লকপা নেসনল জিমাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ অমদি অতোপ্পা মরু ওইবা জিমনাষ্টিক্কী কম্পিটিসন পুম্নমক তোকহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ু এস এদা ঙসি ফাওবদা মীওই ১৪,১২,৬৬১ নাহনখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ৮৩,৬৬৪ শীহনখ্রবা মতুং অতোপ্পা মীওই ২,৯৯,০০৩বু লায়না অসিদগী ফহনবা ঙমখ্রবনি।

য়ু এস এদা জিমনাষ্টিক্কী ওইনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৪দগী হৌরগা ৭ ফাওবা টেক্সাস ষ্টেটকী সিটি ফোর্ট ৱার্থতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদু চহী অসিগী ওইনা তোকহনখ্রবা মতুং মথংগী চহী ২০২১গী জুন ৩দগী হৌরগা ৬ ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়না লুপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস এগী মমিং লৈরবী জিমনাস সাইমোন বাইলসনা মশাগী করিয়রগী ওইবা ৭লকশুবা ওল রাউন্দ চেম্পিনয়ন ওইবগী টাইটল অদু চৎলিবা চহী অসিদা ফংননবা শেম শারকখিবা অদু চহী অমা মখা তানা ঙাইবা তারি। সাইমোন বাইলস রিও ওলিম্পিক গেমস অমদি ৱর্ল্ড জিমনাষ্টিক চেম্পিয়নশিপকী দিফেনিদং চেম্পিয়ন ওইদুনা লৈরিবনি।

য়ু এস এ জিমনাষ্টিক্কী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার ওইরিবা লি লি ল্যুয়েংনা ফোঙদোরকপদা য়ু এস এদা কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেং অমা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা শান্নবগী লমদসু অৱাবা মায়োক্লরি। লৈবাক অদুগী হেল্থ এক্সপার্টশিংগী মায়কৈদগী পীরকপা চৎনা কাংলোনশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখৎলকপা খোঙথাং পুম্নমক ইন্দুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কনি হায়না শীল্লম্বা য়ু এস নেসনল জিমনাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ অদু চহী অমা য়ৈথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

পোর্টুগালগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট প্রাইমৈরা লীগা জুন ৪দগী অমুক শান্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

লিজবোন, মে ১৩ (এজেন্সী):

মালেমগী ফুটবোলদা মমিং থন্বা ঙল্লবা পোর্টুগাল লৈবাক্কী ওইবা ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা প্রাইমৈরা লীগা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা হান্নগী সেদ্যুলশিং অদু লেপ্লুরবা মতুং চহী অসিগী জুন ৪দগী অমুক শান্নবা হৌরগনি হায়না লৈবাক অদুগী ফুটবোল লীগকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাগী লোইশিল্লকপদা পোর্টুগালগী প্রাইম মিনিষ্টর এন্টোনিয়ো কোষ্টানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা লৈবাক অদুদা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদুনা লোকদাউন থমখ্রবা মতুং মে থাগী অরোইবা চয়োলদা প্রাইমৈরা লীগা হৌননবা ৱাফম থমখিবনি।

প্রাইমৈরা লীগা অসিগী ওইনা কুমজা ২০১৯-২০ সিজনগী ওইনা রাউন্দ ১০ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী মার্চ ১২দা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপখিবনি। লীগা অসিগী ওফিসলশিংনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকপা ৱারোলদা লেমহৌরিবা মেচশিং অদু চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৪দগী হৌনবা হায়রকপনি। অদুবু মেচশিং অদু শান্নবদা লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা অকুপ্পা চৎনা কাংলোনশিংনা অদু ইনগদৌরি।

লীগ অদুদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা চয়োল অমদা কোভিদ-১৯ লায়নাগী টেষ্ট অনীদা নেগেটিব ওইগদবনি। লোয়ননা লীগকী লেমহৌরিবা মেচশিং অদু ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্কনি। হিরম অসিগী মতাংদা করম করম্বা খুদোংচাবা লৈবা ষ্টেদিয়ম খরখক খনগৎলগা অথুবা মতমদা লাউথোরক্কনি হায়রি।

পোর্টুগালগী প্রাইমৈরা লীগাগী মায়কৈদগী নৌনা লৌখৎলকপা খোঙথাং অসি লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বেনফিকাগী শান্নরোয় দেবিদ তবারেজ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরে হায়বগী পাউ লাকখ্রবা মতুং লীগ অসিগী অনৌবা মতম লেপ্পলকপনি।

ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ফংবগী মতম অদু কুইনা ঙাইনররোই হায়না হান্না গোল্ড ফংখিবা অভিনাব বিন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১৩ (এজেন্সী):

কুমজা ২০০৮গী বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্ট অমদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবগী রেকোর্দ থল্লিবা শুটর অভিনাব বিন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা মখা তানা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ফংবগী মতম কুইশিল্লক্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শুটরশিংনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল ইভেন্ট অমদি কম্পিটিসন কয়াদা মকোক থোংবা ঙমদুনা লাকপদগী ওলিম্পিক গেমসতা হায়রিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অসিনা গোল্ড মেদল ফংবগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈ হায়না অভিনাব বিন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী ৪/৪ কান্নরগা পাঙথোকপা কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়ানা শুট্টিং ইভেন্টতা মেদল লৌবগী চাংদা অতোপ্পা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংদগী অদুমক হেন্দুনা লাকখি। কুমজা ২০১৮দা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ডকোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা ইন্দিয়াগী শুট্টরশিংনা ইভেন্ট অদুগী ওইনা খ্বাইদগী মেদল মশিং য়াম্না লৌবা ঙমখি। মখা তানা কুমজা ২০২২দা লন্দননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা লৈবাক অদুগী ওর্গনাইজিং কম্মিতিনা শুট্টিং কম্পিটিসন অসি য়াওহল্লরোই হায়না ফোঙদোরকপদগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিং য়াওনা মরু ওইনা ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী হৌজিক হৌজিক নৌনা শুট্টিং স্পোর্টসতা মচিন তুমখৎলক্লিবা শুট্টরশিংগী মনুংদা চহী নৌরিবা সৌরব চৌধরিনা নুপাগী কাংলুপ্তা অচৌবা লম্বেল অমা শেল্লি। নুপীগী কাংলুপ্তা মনুভারকনা মহাক্কী ইভেন্টশিং অদুদা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল টাইটল কয়া ফংদুনা ওলিম্পিক্সতা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শুট্টরশিংগা লম্বা তৌনদুনা গোল্ড মেদল ফংনবগী খুদোংচাবা লৈরি।

ꯊꯕꯛ ꯊꯤꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎ /EMPLOYMENT NEWS

- Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।
- 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।
- Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

Please Contact:- **L. Rammo**
# 8787727402

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com